রোহিংয়া মুস্লিমমশিং ম্যান্মারগী য়েলহৌমীশিং নৎতে, রেফ্যুজী মশিং হেন্না হাইজিল্লি : ম্যান্মারগী আর্মি চীফ

য়াঙ্গোন, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সি) :
রোহিংয়া মুস্লিমমশিং ম্যান্মারদা মহৌশাদগী লৈরকখিবা মীওই কাঙলূপ নৎত্রগা য়েলহৌমীশিং নৎতে হায়না ম্যান্মারগী আর্মি চীফনা য়ু এস অম্বেসেদরগা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে। মীফম অদুদা মহাক্লা মহাক্কী মীওইশিংনা কা হেনবা কয়া তৌখি হায়বা চার্জশিংগী মতাংদা থোইদোক্লা পনখিদে অমসুং মীদিয়ানসু লৈবাক অদুদগী চেল্লিবা রেফ্যুজীশিংগী মশিং কা হেন্না হাইজিল্লে হায়খি।

ম্যান্মারগী সিনিয়র জেনরেল মিন ওং লাইংনা য়ু এসকী অম্বেসেদর স্কোট মার্সিয়লগা উনদুনা ৱারী শানবদা মালেমগী ভাবোকশিংবু টার্গেট তৌদুনা রোহিংয়া রেফ্যুজী ক্রাইসিসকী মতাংদা শুগাইবা ৱারোল পীরদুনা ঙাঙখি। মসি মহাক্কী ফেসবূক পেজদা থাগৎলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্ননি।

জেনরেল মিন ওং লাইং অসি বুধিষ্টশিংনা মশিং য়াম্বা ম্যান্মারদা খ্বাইদগী মতিক ময়ায় চাউবা মীশক্তি অমসুং মহাক্কী খোঙফম হোংদবা ফিরেপ্না মালেম্না কন্দেম তৌনরিবা অমসুং নোবেল লোরিএট ওং সান সু চিগী মখাদা লৈবাক অদুদা থাঙ্গৈশেংবা ডেমোক্রেটিক লৈঙাক লাকহন্নবা হোৎনবগী মতাংদা ৱাহং কয়া লাকহল্লিবা ক্রাইসিস অদুগা মরী লৈনবা মিলিটরিগী ইমেজবু থোইদোক্লা লুনা খন্দে হায়বা উৎলি।

বুধিষ্ট নেস্নেলিজম খুমাঙ চাওশিল্লবা অমসুং রোহিংয়াশিংগী মীনুংশি উদবা ম্যান্মারদা মিলিটরি কেম্পেন অদু মীয়াম্না খ্বাইদগী পান্নবা ওইখি।

রোহিংয়া কাঙবুবু ম্যান্মারদা মখোয়না হঙ্গোই-তুকচ্চনবা বেঙ্গোলিনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মিন ওং লাইংনা হায়খি মদুদি, বৃটিশ কলোনিএলিষ্টশিংনা প্রোব্লেম অসি থোকহনখিবনি।

ম্যান্মারনা লৈবাক অসিদা বেঙ্গোলিশিং পুশিনখিবা নৎতে, তৌইগুম্বসুং কলোনিএলিষ্টশিংনা মখোয়বু লৈবাকসিদা পুশিনখিবনি হায়না শগোলশেন নুমিৎতা ফেসবূকতা থাগৎখিবা মীফম অদুগী রিপোর্টতা মহাক্লা ফোঙদোকখি।

“মখোয় ম্যান্মারগী য়েলহৌমীশিং নৎতে অমসুং লোইলম লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা মখোয় রোহিংয়া হায়নফাওবা খঙনখিদে তৌইগুম্বসুং শুপ্নগী বেঙ্গোলিশিং ওইনা খঙনখি হায়বসি প্রুভ তৌনবগী রেকোর্দশিং লৈ।”

ইরান ন্যুক্লিয়র দীল : ৱারেপ লৌবগী মতম নকশিল্লকপদগী ট্রম্পতা প্রেসর হেনগৎলক্লে

TEA PARTY
PATRIOTS
EndTheIran

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সি) :
ইরাননা ন্যুক্লিয়র দীল ঙাক্লা চৎলিব্রা হায়বগী মতাংদা মরুওইবা এনাউন্সমেন্ট অমা পীনবা শেম-শারিবা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতা প্রেসর হেনগৎলক্লি।

য়ু এস মীদিয়াগী প্রীদিক্সন মতুংইন্না করিগুম্বা মহাক্লা একোর্দ অদু সর্টিফাই তৌদবা তারবদি কোংগ্রেসনা নৌনা সেঙ্কসনশিং থম্বগী ৱাফমদা ৱারেপ লৌগনি। মহাক ওক্টোবর ১৫ ফাওবগী মনুংদা ৱারেপ লৌগদবনি।

পুৱারীগা শাগোন্নরগদবা ইন্টর-নেস্নেল এগ্রীমেন্ট অদুনা ইরানগী মথক্তা থম্বা অথিংবশিং কোমথোকখি। মদুগীদমক ইরাননসু লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র এক্টিভিটি কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম য়াখি। ময়ূম লৈবাক অমসুং মপান অনীমক্তা দীল অদু কেন্সেল তৌদনবা ট্রম্পতা প্রেসর পীরিবনি। ডিফেন্স সেক্রেটরি জেমস মাটিস য়াওনা ট্রম্পকী টোপ এদভাইজর খরনা দীল অদুবু শৌগৎপগী ইঙ্গিৎ পীখি।

থা অসিগী অঙনবদা মাটিসনা সিনেটকী হিয়রিং অমদা দীল অদুবু থাদোকপা হায়বসি লৈবাক্কী অপান্বা ওইরোই হায়খি

হাউস ফোরন এফ্যের্স কম্মিটিগী রিপব্লিকান চ্যেরমেন ইদ রোইসনা হায়খি মদুদি, দীল অদুদা অশোয়বা খরা য়াওরবসু ঐখোয়না মদু চৎনহনগদবনি।

বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মে অমসুং ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুঅল মেক্রোন য়াওনা মপানগী লূচিংবশিংনসু ট্রম্পতা দীল অদু কায়হন্দনবা তকশিনখ্রবনি।

দীল অদুবু নিগোসিয়েট তৌবদা মতেং পাংখিবা হান্নগী য়ুরোপিয়ন ফোরন পোলিসি চীফ লেদি কেথ্রিন অশটননা বি বি সিদা হায়খি মদুদি, মসি মচাক লোইনমক য়াওরবা এগ্রীমেন্টনি। অমরোমদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ফোক্স ন্যুজদা হায়খি মদুদি, মহাক্লা য়াম্না থুনা ৱারেপ লৌরগনি। মীওই খরনদি ৱারেপ অদু য়াম্না থুনা ইরাই নুমিৎতা লৌরগনি হায়না থাজনরি।

কাটালান ক্রাইসিস মরক্তা স্পেননা নেস্নেল ডেগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সি) :
কাটালোনিয়াগী নীংতম্বগী ঈহৌগী মায়োক্তা লৈবশিংনা অমতা ওইবগী শক্তম উৎপগা লোয়ননা স্পেননা শগোলশেন নুমিৎতা নেস্নেল ডেগী থৌরমশিং হরাও-তয়াম্না পাঙথোকখ্রে। স্পেনগী নেস্নেল ডেগী থৌরম অসি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা কাটালোনিয়াগী সেপরেটিষ্ট লীদরদা মখা তানা তোখায় তানবগী ঈহৌ হৌখিগনি নৎত্রগা হৌরোই হায়বা মহাক্কী ৱারেপ লৈরবদি শেংদোক্লবা মথংগী চয়োল ফাওবা মতম পীখিবা মতুং নোংমা লৈরগা পাঙথোক্লিবনি।

অথিংবা থম্ন-থম্না ওক্টোবর অমদা পাঙথোকখিবা মচেৎ তানবগী রেফরেন্দম অমদা ইনাক খুল্লবা নোর্থ ইষ্টর্ন লমদমদুগী সেপরেটিষ্টশিংনা ভোট থাদনদুনা জেনরেসন অসিগী ওইনা লৈবাক অদুদা খ্বাইদগী শাথীবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস থোকহনখি। প্রাইম মিনিষ্টর মারিয়ানো রাজোয় অমসুং নিংথৌ ফিলিপ ৬ শুবনা সেন্ট্রেল মাদ্রিদতা পাঙথোকপা ট্রেদিস্নেল মিলিটরি পেরেদ অমদা শরুক য়াখি।

ক্রিষ্টৌফর কলম্বসনা কুমজা ১৪৯২ দা অমেরিকাদা অহানবা ওইনা থুংখিবগী নুমিৎপু নীংশিংলদুনা স্পেনিস আর্মদ ফোর্সশিংনা মাদ্রিদকী পেসিও দি লা কাষ্টেলানা বুলভার্দতা মার্চ পাষ্ট চৎখিবগা লোয়ননা ফার রাইটকী মেম্বরশিংনসু কাটালান কেপিটেল বার্সিলোনাদা প্রো-য়ুনিটি রেলি পাঙথোকখি।

রাজোয়না মহাক্কী অরৈবা পাৱর পুম্নমক শীজিন্নদুনা কাটালোনিয়ানা তোখায় তাবা থিংগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখি অমসুং মহাক্কী গভর্নমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখিবা অমদা করিগুম্বা কাটালোনিয়ানা তোখায় তানবা মখা তাবা খোঙথাং লৌখৎলক্লবদি লমদম অদু সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌগনি হায়খি।

কাটালোনিয়াগী প্রসিদেন্ট কার্লেস পিগদেমোন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ‘কাটালোনিয়ানা নীংতম্বা ষ্টেট অমা ওইনবগী মেন্দেট অমা মঙোন্দা শিন্নখিবদু মহাক্লা লৌশিল্লে হায়না লাউথোকখিবা অমসুং ইন্দিপেন্দেন্স ডিক্লারেসন অমা সাইন তৌখিবা মতুংদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা ৱার্নিং অসি পীখিবনি।

ডিক্লারেসন অদুগী লিগল ভেলিদিটি শেংখিদবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর রাজোয়না ইমরজেন্সি কেবিনেট মীফম অমগী মতুংদা লোমেকরশিংদা হায়খি মদুদি, পিগদেমোন্টনা মথংগী নিংথৌকাবা ফাওবগী মনুংদা মহাক তোখায় তানবা চপ চানা লেপ্লে নৎত্রগা অতোপ্পা ৱারেপ অমা লৌরে হায়বদু খঙহল্লক্কদবনি অমসুং মদু মথং শগোলশেন নুমিৎতসু অমুক হন্না খন্নবা য়াগনি নৎত্রবদি মাদ্রিদনা কাটালোনিয়াগী রিজনেল ওটোনোমস সস্পেন্দ তৌরগনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি ইজরেল য়ুনেস্কোদগী তোক্লগনি

পেরিস, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সি) :
য়ু এনগী কলচরেল ওর্গনাইজেসন য়ুনেস্কোবু এন্টি-ইজরেল ওই হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অসিদগী তোক্লগনি হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সি অসি সিরিয়াগী পালমিৱা অমসুং য়ু এসকী গ্রান্দ কেনয়নগুম্বা মফম কয়াবু ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইটশিং ওইহনবগীদমক্তসু মমিং চৎলি। য়ুনেস্কোগী ফন্দ পুথোক্লবগী মতাংদা এরিয়রস লৈবদসু য়ু এসনা পেন্দে হায়নসু ষ্টেট ডিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি অমসুং এজেন্সি অসি শেমদোকপগী তঙাইফন্দবা লৈরে হায়খি।

য়ুনেস্কোগী মকোক ইরিনা বোভোভানা য়ু এসকী খোঙথাং অদু তশেংনমক নুংনাংনিঙাই ওই হায়খি। হন্দক চহী কয়াসিদা পোলিটিকেল ঈথিল চঙবদগী ওর্গনাইজেসন অসি চৈথেং চাউনা নংখি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

‘য়ু এসনা ৱিথদ্রো তৌবসি য়ু এন ফেমিলি অমসুং মল্টিলেটরেলিজমগী মাঙজবনি।’

ফাটাহগা য়ানবা পুরক্লে হায়না হামাসনা ক্লেম তৌখ্রে

জেরুসালেম, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সি) :
অমগা অমগা লম্বা ওইনরিবা পলিষ্টিনিয়ন ফেক্সনশিং হামাস অমসুং ফাটাহনা গাজা ষ্ট্রিপ কনানা কন্ট্রোল তৌগদগে অমসুং করি করম্বা টার্মশিংদা কন্ট্রোল তৌগদগে হায়বগী মতাংদা মপূং ফাদ্রিবা দীল অমা পুরকপা ঙমখ্রে।

হামাসকী পোলিটিকেল লীদর ইসমাইল হানিয়েহনা শগোলশেন নুমিৎকী অঙনবদা লাউথোকখিবদা ইজিপ্টনা ৱাতেমদুনা কাইরোদা পাঙথোক্লিবা মীফমদা দীল অমা য়ানরে অমসুং মদুগী অকুপ্পশিং ঙসি অথেংবদা লাউথোক্কনি।

পলেষ্টাইন লিবরেসন ওর্গনাইজেসন (পি এল ও) গী ওফিসলশিংনসু গর্দিঅনদা দীল অমা য়ানরে হায়না ফোঙদোকখি তৌইগুম্বসুং মখা তাবা অকুপ্পশিংদি পনখিদে। ৱারী শানবদু ষ্টেটহুদকী পান্দমদা চৈথেং পীরিবা চহী ১০ শুরবা পলিষ্টিনিয়নশিংগী লমগী, পোলিটিকেলগী অমসুং আইদিওলোজিগী খেন্নবশিং লোইশিন্নবা পরিং নাইনা হোৎনরকখিবগী খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক্লি।

ৱারী শানবদা অহৌবগী ওইনা প্রোগ্রেস লৈবগী মমি খরা উবা ফংলক্লিঙৈ মরক্তা ফাটাহগী টোপ ওফিসলনা লাউথোকখি মদুদি, চহী ২০ গী মনুংদা অহানবা ওইনা থা অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা মাহমৌদ অব্বাসনা গাজাদা চৎকনি। করিগুম্বা শোয়দবা তারবদি কুমজা ২০০৭ তা ইস্লামিক হামাস মুভমেন্টনা গাজা কন্ট্রোল তৌখিবদগী অব্বাসকী খোঙচৎ অসিনা গাজা ষ্ট্রিপতা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইরগনি।

পলিষ্টিনিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী ইলেক্সনদা মায় পাকখিবা মতুং কুমজা ২০০৭ তা হামাসনা অব্বাসকী নোংচুপলোমনা শৌগৎপা পলিষ্টিনিয়ন ওথোরিটিবু গাজাদগী তকথোকখি। ফিভম অদুদা অব্বাসনা ইজরেলনা খুদুম চনবা ৱেষ্ট বেঙ্ক ওটোনোমস এনক্লিভশিং ফংহৌখি।

হৌখিবা চহী ১০ মুকসিদা নাকল অনীমক্লা মখোয়গী টেরিটরি হেন্না চেকশিন্না কন্ট্রোল তৌনখিবগা লোয়ননা অমগা অমগা শন্দাইনবা ঙমখিদে।

মমাঙদা ফেক্সন অনীগী মরক্তা নিগোসিয়েসন চথুদুনা শন্দাইনবা পুরক্লবা লাউথোকখিবদসু মায় পাকখিদে।

হেক্করশিংনা এফ-৩৫ ষ্টিল্থ ফাইটরগী দেটা হুখ্রে

সিদনি, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সি) :
ডিফেন্স সবকনট্রেক্টর অমা হেক তৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এফ-৩৫ ষ্টিল্থ ফাইটর অমসুং পি-৯ সর্ভিলেন্স এয়রক্রাফটকী অরুবা দেটা হুখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। ডিফেন্সকী সবকনট্রেক্টর অদু চাইনিজ সাইবর ক্রিমিনেলশিংনা তোয়না শীজিন্নবা টূল অমা শীজিন্নদুনা হেক তৌখিবনি হায়রি।

মীওই ৫০ গী এরোস্পেস এঞ্জিনিয়রিং ফার্ম অদু হৌখিবা চহীগী জুলাইদসু হেককী টার্গেট ওইখি তৌইগুম্বসুং নেস্নেল সাইবর সিক্যুরিটি এজেন্সি - ওষ্ট্রেলিয়ন সিগনেলস ডিরেক্টরেট (এ এস ডি) না শুপ্নগী নভেম্বর থাদা ব্রীচ অদুগী মরমদা খঙলকখি হায়না টেক্নোলোজি ৱেবসাইট বেজ দি নেট ওষ্ট্রেলিয়ানা ফোঙদোকখি।

য়ু এস গভর্নমেন্টকী ইন্টরনেস্নেল ট্রাফিক ইন আর্মস রেগ্যুলেসন্স রুলসকী মখাদা শীজিন্নবদা অথিংবা কয়া থম্বা অরুবা দেটাগী জিবি ৩০ রোম হুখ্রে হায়না এ এস ডিগী মিটচেল ক্লার্কনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা সিক্যুরিটি কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

কেস অসিগী মতাংদা থবক তৌরিবা অমসুং সবকনট্রেক্টর অদুগী মমিংদি পনখিদবা ক্লার্কনা ফোঙদোকখি মদুদি য়ু এসকী খ্বাইদগী নৌবা ফাইটর জেটশিংগী জেনরেসন এফ-৩৫ অমসুং এদভান্স সবমেরিন হন্টর অমসুং সর্ভিলেন্স ক্রাফট পি ৮ গী দেটা হুখ্রে। অতোপ্পা ডোক্যুমেন্ট অমদি ওষ্ট্রেলিয়ন নেভিগী অনৌবা সিপশিংগী মনুংদা অমগী ৱায়রফ্রেম ডাইগ্রাম অমনি।

অরুবা দেটাদু হুবদা হেক্করশিংদুনা চাইনা চোপ্পর কৌবা টূল অমা শীজিন্নখি। সিক্যুরিটি এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না, টূল অদু চাইনিজ এক্টরশিংনা পাক-শন্না শীজিন্নৈ। মখোয়না ইন্টরনেট-ফেসিং সর্ভর অমগী খুখাংদা সিষ্টেমদা খূৎ থাবা ঙমখি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা করিগুম্বা খরা তৌবা চঙই : ট্রম্প

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সি) :
হন্দক মতম খরসিদা নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র চাংয়েংশিং পাঙথোকখিবগী মতাংদা মহাক্কী তোঙানবা ৱাখল্লোন অমা লৈ হায়না ফোঙদোক্লদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খ্রে মদুদি প্রোব্লেম অদু করিগুম্বা খরা তৌবা চঙবা তাঙ্কক অমা য়ৌরে।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারিদগী নোর্থ কোরিয়ানা জপান লানবা অনী য়াওনা মিসাইল ২২ কাপ্তুনা পূন্না চাংয়েং ১৫ পাঙথোকখি। চাংয়েংশিং অদুদা য়ু এস অমসুং মীচংশিংদগী অকনবা রিয়েক্সন খরা উবা ফংখি।

‘অতৈগা মান্নদবা ঐহাক্কী তোঙানবা ৱাখল্লোন অমসুং লম্বী লৈ হায়না ঐহাক্লা খল্লি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐঙোন্দা থোইদোক-হেন্দোকপা ৱাখল অমা লৈজে তৌইগুম্বসুং ঐহাক্লা মীপূম খূদিংমক্কী ৱা তাবা পামই হায়না ট্রম্পনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মহাক্কী ওভেল ওফিস চেম্বরদা ওফিসল খোঙচৎ অমদা লাক্লিবা কনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিস ট্রুদোগা লোয়ননা জোইন্ট মীদিয়া ব্রীফিং অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

মমৈথংদা ঐহাক্লা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অমসুং মালেমগী ওইনা চুম্না খোঙথাং অদু লৌখৎকনি। মরম অদুনা মদু তশেংনমক ৱার্ল্ড প্রোব্লেম অমনি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী হেন্দোকপা প্রোব্লেম অমনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা য়ু এস প্রসিদেন্টনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়াগী ৱাফম অসি তশেংনমক সোল্ব তৌবা চঙই।

তুংদা নুমিদাং অথেংবদা ট্রম্পনা ফোক্স ন্যুজদা হায়খি মদুদি নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা মালেম অসি করিগুম্বা খরা তৌবা চঙবা ফিভম অদু য়ৌরে।

মসি চহী ২৫ গী মমাঙদা য়েংশিল্লমগদবনি, চহী ২০ গী মমাঙদা, চহী ১০ অমসুং চহী মঙাগী মমাঙদা হেন্দল তৌরমগদবা প্রোব্লেমনি হায়না ট্রম্পনা ফোঙদোকখি।

মসি ওবামা (হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট) দা নৎতনা অতৈ কয়ানা মমাঙদা হেন্দল তৌরম্ফম থোকপনি তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট ওবামানদি তশেংনা য়েংশিনফম থোকপনি। হৌজিক্তি য়াম্না খুমাঙ চাওশিল্লবা অরুবা ফিভম অমা লাক্লে। মরম অদুনা ঐখোয়না করিগুম্বা খরা তৌবা তাই। নোর্থ কোরিয়াবু ঐখোয়না মখোয়গী অপান্বা যৌদৌ চথহনবা য়াদে হায়না ট্রম্পনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা রিপব্লিকান কোংগ্রেসমেন টেদ য়োহোনা সি এন এনদা হায়খ্রে মদুদি, ঐখোয়গী পান্দমদি নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অথিংবশিং থম্বা, মালেম পূম্নবু খোঙথাংসি য়াহনবা অমসুং মখোয়বু ৱারী শানবগীদমক টেবলদা পুরকপা অমসুং ৱাথোক অসিবু ডিপ্লোমেটিক পাম্বৈনা লোইশিনবনি।

ভিয়েটনামদা ঈচাউ অমসুং লেন্দস্লাইদতা মীওই ৩৭ শিখ্রে

হানোই, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সি) :
নোরদর্ন অমসুং সেন্ট্রেল প্রোভিন্স-শিংদা ট্রোপিকেল ডিপ্রেসন অমনা নোং কন্না চুহনবদগী ভিয়েটনামদা ঈশিং ঈচাউ থোক্তুনা মীওই ৩৭ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৪০ না থীবা ফংদনা লৈরি হায়না সাউথইষ্ট এসিয়ন লৈবাক অদুগী ডিজাষ্টর প্রিভেন্সন এজেন্সিনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নোং কন্না চুবদগী লেন্দস্লাইদশিং অমসুং ঈচাউ থোক্তুনা অতোপ্পা মীওই ২১সু অশোক-অপন নংখ্রে অমসুং ওথোরিটিশিংনা তঙাইফন্দনা দামশিংদগী ঈশিং চিথোকপা তাখি হায়না সেন্ট্রেল ষ্টীয়রিং কম্মিটি ফোর নেচরেল ডিজাষ্টর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোলনা মসিগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখি।

ঈচাউ অমসুং লেন্দস্লাইদশিংদুনা মরম ওইদুনা য়ূম ১৭,০০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে অমসুং য়ূম ২০০ হেন্না নিংখাইখ্রে লোয়ননা অতৈ য়ূম ১৮,০০০ লোম্না ঈশিং থুমজিনখ্রে নৎত্রগা মাঙহন-তাকহনখ্রে হায়রি।

কম্মিটিনা হায়খি মদুদি, লৌ উবদা শীজিন্নবা লম হেক্টর ৮০০০ হেন্না মাঙ তাকখ্রে অমসুং শা ৪০,০০০ রোম শিখ্রে নৎত্রগা ঈশিংনা চেনখ্রে। কোষ্টলাইন শাংমনবনা মরম ওইদুনা ভিয়েটনামদা মাঙ তাক্লিঙাই ওইরবা নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং ঈচাউশিং তোয়না থোকই। হৌখিবা চহীদসু মীওই ২০০ হেন্না নোংলৈ নুংশিৎ থোকপদা শিখি।

পাকিষ্টাননা তশেংনমক ইন্দিয়াগা ইং-চিকপা মরী থম্নবা পামই: পাক আর্মি চীফ

ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সি) :
নারোন্দগী চেনশিন্নবা মখা তানা হোৎনবা, মিলিটেন্টশিংগী এটেকশিং অমসুং সীজফায়র খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিংনা জম্মু অমসুং কাশ্মির লমদমদা নুংঙাইতবা কয়া থোকহনবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা মখা তানা উংখৎনবা লৈরি।

ইন্দো-পাক বোর্দরদা ইং-চিকপগী ফিভম লৈতবগা মরী লৈননা পাকিষ্টান আর্মি চীফ জেনরেল কামর জাভেদ ৱাজৱানা ইন্দিয়াবু মরাল শীরি। মহাক্লা হায়রি মদুদি, পাকিষ্টাননা লান পাম্বা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক ইন্দিয়াগা থাঙ্গৈশেংনা ইং-চিকপগী মরী থম্নবা পামই তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা মরী অসি থম্নবদা লৈবাক অনীমক্লা থোং মান্নলা হোৎনমিন্নবা চঙই।

করাচিদা সিক্যুরিটি ইস্শিংগী মতাংদা খন্নবা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা জেনরেল বাজৱানা হায়খি মদুদি, পাকিষ্টাননা লৈবাক অসিগী মায়কৈদা লৈরিবা অশোনবশিং কিহল্লক্কবগী মরমশিং ওইদ্রিঙৈদা মাঙহনবা চঙই।

নোংপোক্লোমদা ঐখোয়বু তাথীবা অমসুং লান পাম্বা ইন্দিয়া লৈশিনবা অমসুং ঐখোয়গী নোংচুপ্তুনা মরা চেৎতবা অফঘানিষ্টান লৈবসিনা লমদম অসি পুৱারীগী নুংঙাইতবশিং অমসুং নেগেটিভ কম্পিটিসন মরক্তা অফা-অপুন্নবা লৈরি হায়না পাকিষ্টান আর্মি চীফনা হায়খি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী মায়কৈদদি নোংচুপ থংবা বোর্দরবু ডিপ্লোমেটিক, মিলিটরি অমসুং ইকনোমিক ইনিসিয়েটিভকী খুথাংদা ইংথহন্নবা হোৎনবা লৈরে হায়না বাজৱানা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না থম্মোয় শেংনা ইন্দিয়াগা মহৌশাগী অমসুং ইং-চিকপা মরী থম্নবা পামই হায়বসি থেংখাং কয়াদা ফোঙদোকখ্রে, অদুম ওইনমক অসিগুম্বা মরী থম্নবা হায়বসি লৈবাক অনীমক্লা থোং মান্না হোৎনমিন্নবা চঙগনি হায়না পাকিষ্টানগী আর্মি চীফনা হায়খি।

জেনরেল বাজৱানা পাকিষ্টানগী শেল-থুমগী ফিভম মরুওইনা অতিয়া পক্লা ৱাংলিবা মীগী শেন্দোলগী মতাংদসু নুংনাংবা ফোঙদোকখি অমসুং নীরগা হিংবগী ফিভম অসি কোক্লনবা হৌজিক নেম্না লৈরিবা ‘টেক্স টু গ্রোস ডোমেষ্টিক প্রদক্ট রেসিও’ ৱাংখৎহনগদবনি হায়খি।

গ্রোথ ফগৎলক্লে তৌইগুম্বসুং শেন্দোনগী চাং য়াম্না ৱাংলি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ইনর্জি শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে তৌইগুম্বসুং হৌজিক্কী একাউন্ট বেলেন্স অসি ঐখোয়দা খুদোংচাগদবা মওংদা লৈতে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES

Imphal, Manipur - 795004
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)

[illegible]/NOTICE

Imphal, the 12th October, 2017

No. B/561/2017-RIMS : A walk-in-interview for selection of suitable persons for the posts of Senior Resident in the following departments of RIMS, Imphal will be held on 20th October, 2017 at 11:00 a.m. in the Conference Room of Jubilee Hall, RIMS, Imphal. The appointment is purely on Tenure basis for a limited period of 3 (three) years. Interested candidates having the qualification, experience and within the upper age limit may attend the Walk-in-interview on submission of an application enclosing their bio-data to the office of the undersigned on or before 18th October, 2017. The candidates have to produce their original certificate, testimonials before the Selection Board.

Department/Unit wise vacant posts of Sr. Resident are as follows :-

Sl. No.	Name of Post	Scale of Pay	No. of Post	Reservation	**Qual. and experience**
1.	Sr. Resident (Anatomy)	Rs. 15600-39100 -G.P. Rs. 5400/-	01	UR-1	Postgraduate degree (MD/MS/DNB) in the respective subject from the institute recognized by MCI. ii. Candidate must be registered with the State Medical Council/ Medical Council of India.
2.	Sr. Resident (Obs. & Gynae)	-do-	01	UR-1	
3.	Sr. Resident (Physiology)	-do-	01	UR-1	
4.	Sr. Resident (Biochemistry)	-do-	01	UR-1	
5.	Sr. Resident (Medicine)	-do-	02	UR-1, SC-1	
6.	Sr. Resident (Surgery)	-do-	01	SC-1	
7.	Sr. Resident (Anaesthesiology)	-do-	04	UR-2, SC-1, OBC-1	
8.	Sr. Resident (Pharmacology)	-do-	01	UR-1	
9.	Sr. Resident (Neurology)	-do-	01	UR-1	
10.	Sr. Resident (Paediatrics)	-do-	01	UR-1	
11.	Sr. Resident (Community Medicine)	-do-	01	UR-1	
12.	Sr. Resident (Pathology)	-do-	03	SC-1, OBC-1, UR-1	

*** For one post of Sr. Resident in Medicine deptt. will be of leave substitute till 31/12/2019.**

*** For the post of Sr. Resident is Paediatric, Pathology & Community Medicine, the respective posts are anticipated vacancies.**

Vacancy may increase or decrease. The numbers of vacant post indicated above (including backlog vacancies) are provisional and subject to the change according to vacancies without any notice.

The Pay Board of Rs. 15600-39100 G.P. of Rs. 5400/- is being revised to Rs. 15600-39100 + Rs. 6600/- with approval of the Ministry of Health & Family Welfare.

The upper age limit is 45 years. Relaxable 3 years for OBC and 5 years for SC & ST candidate and also age relaxation for physically handicapped candidates will be provided as per Govt. of India norms. In cas the vacancies are not filled up by the reserved category, the vacancies will be given to the Un-reserved category.

Applications address to the Deputy Director (Admn) i/c will be received upto 3.00 p.m. of the 18th October, 2017.

Sd/- **L. Ibemhal Devi,** Deputy Director (Admn) i/c.
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal.

HL-B/4167/13